

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*হৌজিক-হৌজিক স্পেনগী ফুটবোল টিমগী কোচ ওইদুনা থৌ পুরিবা লোয়ননা কুমজা ২০২০ ফাওবা কোন্ট্রেক্ত শাংদোকখ্রবা জুলেন লোপেটেগুই*

*ইটালিন ওপন টেন্নিসকী সিঙ্গলস টাইটল লৌদুনা টেন্নিস মশান্নগী নুপাগী সিঙ্গলসকী নৌনা ৱার্ল্ড নম্বর ওইবা ঙমখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদাল*

## থোমাস কপ ফাইনেলসকী গ্রুপ ষ্টেজগী অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন টিম্বু চাইনানা মেটচ ৫–০ দা থোইবা ঙমখ্রে



*থোমাস কপকী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোইনা চাইনাগী চেন লোংগী সোট অমা হন্নবা হোৎনবা*

*বেঙ্কোক, মে ২২ঃ*

মালেমগী বেদমিন্টন মশান্নগী নুপাগী টিমগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা থোমাস কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ' গী অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়াবু চাইনানা মেটচ ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা লম্বা তৌনখিবা থোমাস কপকী গ্রুপ 'এ' গী অরোইবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা ইন্দিয়াবু চাইনানা য়াম্না হেনবা মওংদা মেটচ ৫–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

টাই অদুগী অহানবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা চাইনাগী চেন লোংনা ইন্দিয়াগী ঐস এস প্রনোইবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীখি।

অহানবা গেম চাইনাগী চেন লোংনা ইন্দিয়াগী প্রনোইবু য়াম্না কোম্না ২১–৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুদসু অহানবা গেমগী স্কোরগা চপ মান্ননা চাইনাগী এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা চেন লোংনা ইন্দিয়াগী প্রনোইবু ২১–৯ দা থোইদুনা মেটচ ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

টাই অদুগী অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলসকী লম্বাদা চাইনাগী লিয়ু চেং অমসুং ঝাং নাননা ইন্দিয়াগী পেয়র আর্জুন এম আর অমসুং রামচন্দ্রন স্লোকপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১২, ২১–১৫ দা থোইদুনা চাইনানা ইন্দিয়াবু মেটচ ২–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা লম্বা তৌনরিবা থোমাস কপ অসিগী অহুমশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথপু চাইনাগী শান্নরোই সি য়ুকিনা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং গেম ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা গেম চাইনাগী সি য়ুকিনা ২১–৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। গেম অমা শোথরবা ইন্দিয়াগী সাই প্রনিথনা অনীশুবা গেম অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙমদুনা চাইনাগী সি য়ুকিবু ২১–১৫ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা চাইনাগী সি য়ুকিনা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথপু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিন্দুনা শান্নরকপদগী ২১–১২ দা থোইদুনা টাই অদু চাইনানা ইন্দিয়াবু মেটচ ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইরিবা নুপাগী দবলসকী লম্বাদা চাইনাগী লি জুনহুই মসুং লিয়ু য়ুচেননা ইন্দিয়াগী পেয়র আজর্ুন জিওর্জি অমসুং সানিয়াম সুক্লাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১৫, ২০–২২, ২১–১৫ দা থোইদুনা গ্রুপ 'এ' গী অরোইবা রাউন্দগী টাই অদু চাইনানা ইন্দিয়াবু ৪–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

টাই অসিগী মঙাশুবা অমদি অরোইবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই লক্ষ্য সেনবু চাইনাগী লিন দাননা গেম ২–১ দা থোইখি। অহানবা গেম ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেম অদুদা চাইনাগী লিন দাননা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেনবু ২১–৯ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নখি। অহুমশুবা অমদি অরোইবা গেম অদুদা চাইনাগী লিন দাননা হিরম খুদিংমক্তা লাকশিন্দুনা শান্নরকপদগী ২১–৯ দা থোইদুনা টাই অদু চাইনানা ইন্দিয়াবু মেটচ ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

## জর্মনিগী ম্যুনিক্তা ঙসিদগী হৌগদৌরিবা আইএসএসএফ ৱার্ল্ড কপকীদমক ইন্দিয়াগী নুপী অমসুং নুপাগী সুট্টরশিং শেম শাদুনা লৈখ্রে

*ম্যুনিক, মে ২২ঃ*

জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তা হয়েংদগী পাঙথোক্কদৌরিবা আইএসএসএফ ৱার্ল্ড কপ সুট্টিং দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী নুপী অমসুং নুপাগী সুট্টরশিং শেম শাদুনা লৈখ্রে।

কম্মনৱেল্থ গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট মনু ভাকর, হিনা সিধু অমসুং জিতু রাইনা লুচিংদুনা আএসএসএফ ৱার্ল্ড কপ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

আইএসএসএফ ৱার্ল্ড কপ সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপাগী সুট্টর ওলিম্পিক মেডালিষ্ট গগন নারং, সঞ্জিভ রাজপুত অমসুং চেন সিংহনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লাকপা সুট্টরশিংগা লম্বা তৌনগনি।

নুপীগী সুট্টরশিংগী মায়কৈদা অঞ্জুম মোদগিল, টেজাস্বিনি সাৱন্ত অমসুং শ্রেয়া সক্সেনাসু ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লাকপা সুট্টরশিংগা লম্বা তৌনরগনি।

ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপাগী সুট্টর স্বাপনিল কুসালে অমসুং অখিল সিওরাননা নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল থ্রি পোজিসনদা শরুক য়াগনি।

অমরোমদা গ্লাসগো কম্মনৱেল্থ গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট অপুর্ভি চান্দেলা, গোল্ড কোষ্ট গেমসকী সিলভর মেডালিষ্ট মেহুলি ঘোস অমসুং অঞ্জুম মোদগিলনা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী সুট্টরশিংগা লম্বা তৌনগনি।

ম্যুনিক্কী আইএসএসএফ ৱার্ল্ড কপ অসিদা তোঙান–তোঙনবা মালেমগী লৈবাক ৮৪ দগী লাকপা সুট্টর ৮১৭ না লম্বা তৌনগদৌরিবনি। মসিগী মনুংদা ইন্দিয়ানা সুট্টর ৩১ থাদুনা শরুক য়াহনখিবনি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী সুট্টর টিম্না মেক্সিকোগী গুৱাদালাজারাগী চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মেডল ৯ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙমখিবনি।

## জর্মনিগী পিটর গোজোজিক জেনেভা ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



*জেনেভা, মে ২২ঃ*

জর্মনিগী পিটর গোজোজিকনা স্পেনগী দেবিদ ফেরর মায়থিবা পীদুনা স্বিজরলেন্দগী সিটি জেনেভাদা চৠরিবা এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্ট জেনেভা ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

জর্মনিগী পিটর গোজোজিকনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী পিটর গোজোজিকনা স্পেনগী দেবিদ ফেররবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট জর্মনিগী গোজোজিকনা স্পেনগী দেবিদ ফেররগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোথরবা স্পেনগী দেবিদ ফেররগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা লম্বা খরা পীরক্লবসু জর্মনিগী গোজোজিকনা লাকশিনবা ঙমখিবদগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইদুনা গোজোজিক জেনেভা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জেনেভা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুএসএগী ষ্টিভ জোন্সননা রোমানিয়াগী মারিয়স কোপিলবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭–৬(৭–৪), ৬–৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

জোন্সননা অনীশুবা রাউন্দদা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা জিরি ভেসেলিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২–৬, ৭–৬(৮–৬), ৭–৬(৭–৪) দা থোইরম্বা লুকাস রোসোলগা লম্বা তৌনরগনি।

জেনেভা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্পেনগী রামোস ভিনোলাস নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা হঙ্গেরিগী শান্নরোই মার্টোন ফুকোভিসনা য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেটতা ৬–১, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

জেনেভা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ুএসএগী পয়র ষ্টিভ জোন্সন অমসুং সাম ক্বেরিগী পেয়রনা বৃটেনগী দি ইংগলোট অমসুং ক্রোএসিয়াগী ফ্রাঙ্কো স্কুগোরবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অহানবা সেট অদুদা য়ুএসএগী জোন্সন অমসুং ক্বেরিনা বৃটেন অমসুং ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা বৃটেনগী ইংগলোট অমসুং ক্রোএসিয়াগী স্কুগোরনা লম্বা খরা পীরকখ্রবসু য়ুএসএগী পেয়র অদুনা ইংগলোট অমসুং স্কুগোরগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টটেল কপ ফুটবোলগী অহানবা মেটচ ওইনা য়ুম্বু ইন্দিয়ানা চাইনিজ তাইপৈগা জুন ১ দা শান্নরগনি



*হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টটেল কপতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী শান্নরোইশিং*

*মুম্বাই, মে ২২ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা জুন থাগী ১ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টটেল কপ ফুটবোলগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা চাইনিজ তাইপৈগা শান্নরগনি।

হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টটেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০১৯ দা য়ুএইনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া ফুটবোল কনফিদরেসন কপ অসিগী শেম শাবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরি।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনিজ তাইপৈনা কপ অসি হৌদোকপগী অহানবা মেটচ ওইনা শান্নরবা মতুং অনীশুবা মেটচ ওইনা জুন ২ দা কেনিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দ লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা মেটচ জুন ৪ দা কেনিয়াগা লম্বা তৌনরবা মতুং অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা ন্যু জিলেন্দগা জুন ৭ তা শান্নগনি।

হিরো কোন্টিনেন্টটেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ অদুদা জুন ১০ দা লীগ মেটচশিং শান্নরবা মতুং মকোক থোংবা টিম অনী অদুনা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী ফুটবোল কোচ ষ্টেফেন কোষ্টেনটাইননা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চহী অসিগী জুন পাঙথোক্কদৌরিবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টটেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিনা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংদা অহেনবা মশান্না ফংবা ঙম্লগনি হায়খি।

হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টটেল কপ ফুটবোল অসি য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমনি। কপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াদগী হেন্না রেঙ্কিং ৱাংলিবা ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা অহেনবা চাওখৎপা অমদি মশান্না অসিদা হেন্না খুম্মাং চাওশিনবা ঙম্লগনি হায়না ইন্দিয়াগী কোচ কোষ্টেন্টটাইননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কপ অসিদা শরুক য়ারিবা চাইনিজ তাইপৈগী টিম থা ৪। ৫ অসিদা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙম্লি। অদুগা অফ্রিকাগী লৈবাক কেনিয়াসু মখোয়গী শান্নরোইশিং মশা য়াম্না খিংবা অমদি মপুং মরৈ ফাবনা মরম ওইরগা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা শান্নবদা পার্ফোমেন্স ফজবা পীবা ঙম্লি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি হৌজিক–হৌজিক ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৯৭শুবা লৈরি। টিম অসিনা কুমজা ২০১৬ জুন থাদগী কুমজা ২০১৭ নবেম্বর থা ফাওবদা মেটচ ১২ শান্নখিবদা পুম্নমক মায় পাকপা ঙমদুনা মশান্না অসিদা হেন্না খুম্মাং চাওশিল্লিবনি।

হিরো কোন্টিনেন্টটেল কপ অসিদা লৈবাক অমনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা মেটচ অমমম গী ওইবা লীগ রাউন্দ শান্নরবা মতুং মকোক থোংবা টিম অনীনা জুন ১০ দা ফাইনেলগীদমক লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

## ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ গী নুপীগী এক্সিবিসন মেটচ অমদা সুপরনোভাসনা ট্রেলব্লেজর্সবু ৱিকেট ৩ দা থোইখ্রে



*সুপরনোভাসকী শান্নরোইশিংনা ট্রেলব্লেজর্সকী ৱিকেট লৌরবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

*মুম্বাই, মে ২২ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেটকী নুপীগী ঙসি শান্নখিবা এক্সবিসন মেটচ অমদা সুপরনোভাসনা ট্রেলব্লেজর্সপু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ গী নুপীগী এক্সবিসন মেটচ অদুগী টোস সুপরনোভাসনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ট্রেলব্লেজর্সনা অহানবা বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১২৯ লৌবা ঙমখি।

টি–২০গী এক্সবিসন মেটচ অদুদা মালেমগী নুপীগী ক্রিকেট শান্নবা লৈবাকশিংগী মরুওইবা শান্নরোই কয়াসু শরুক য়াখি।

ট্রেলব্লেজর্সকী মায়কৈদগী এলিসা হিলি অমসুং স্মৃতি মন্ধনানা মখোয়গী ইন্নিংস অদু হৌদোরকখি। মখোয় অনীনা স্কোর বোর্দতা শুপ্নগী রন ১৭ খক হাপচিল্লমখি।

ওপনর এলিসা হিলি রন ৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা থোরকখিবা সুজি বেটস অমসুং অতোপ্পা ওপনর স্মৃতি মন্ধনানা ইন্নিংস অদু শেমগৎনবা হোৎনরকপদা মন্ধনা রন ১৪ লৌরম্লগা অপুনবা স্কোর ২১ দা আওট ওইখিবদগী অনীশুবা ৱিকেট তুখি।

মরিশুবা বেটসৱুমেন বেথ মুনি ক্রিজদা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। মহাক শুপ্নগী রন ৪ খক লৌরমখি। নৌনা থোরকখিবা দিপ্তিনা সুজি বেটসকা পার্টনর শেমদুনা মখোয়গী স্কোর অদু রন ৫০ লাম্থোকহনখি।

দিপ্তি শর্ম্মা বোল ২২ মায়োক্নবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২১ লৌরম্লগা আওট ওইখি। নৌনা থোরকখিবা জেমিমা রোড্রিগেজসু বোল ২৩ মায়োক্নবদা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

অহুমশুবা বেটসৱুমেন সুজি মুনিসু বোল ৩৭ মায়োক্নবদা ফোর ২ য়ৈরগা রন ৩২ লৌরম্লগা আওট ওইখ্রবা মতুং সিখা পান্দে অমসুং দেনিয়েল ইন্নিংস মখা চৠরকপদা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ১৪ অমসুং ৩ লৌরগা মখোয়গী স্কোর অদু ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১২৯ য়ৌবা ঙমখিবনি।

সুপরনোভাসনা মায় পাক্নবগী রন ১৩০ গী টার্গেট লৈখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী অরোইবা বোলদা ৱিকেট ৭ তুরগা লৌদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৩ দা মায় পাকখি।

সুপরনোভাসকী ইন্নিংস অদুদা ওপনর ওইখিবী মিথালি রাজ অমসুং দেনিয়েল ৱাটনা ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমখি। মখোয় অনীনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৪৭ লৌবা ঙমখি। মিথালি রাজ বোল ১৭ মায়োক্নবদা সিক্স ১ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ২২ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

মিথালি আওট ওইখ্রবা মতুং দা মেগ লান্নিং বেট্টিং তৌবা থোরকখি। অতোপ্পা ওপনর দেনিয়েলিসু বোল ২৪ মায়োক্নবদা সিক্স ১ অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৪ লৌরম্লগা অপুনবা স্কোর ৫৭ শুরকপদা আওট ওইখি।

সুপরনোভাসকী ইন্নিংস অদুদা ৩শুবা বেটসৱুমেন মেগ লেন্নিংগী রন ১৬, ৪শুবা বেটসৱুমেন অদুগা টিম অসিগী কেপ্টেনসু ওইরিবী হরমনপ্রিত কোরনা লৌরম্বা রন ২১, ৪শুবা বেটসৱুমেন সোফি দিভাইনগী রন ১৯ অমসুং ৭শুবা বেটসৱুমেন ইলিসি পেরিনা আওট ওইদনা লৌরম্বা রন ১৩ অদুনা মপুং ওইরগা ট্রেলব্লেজর্সপু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীখি।

## ইন্দিয়াগী সারনগী পেয়র লিওন ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*লিওন, মে ২২ঃ*

ফ্রান্সকী সিটি লিওনদা পাঙথোক্লিবা লিওন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমসুং ফ্রান্সকী গার্সিয়া লোপেজনা অহানবা সিদেদ পেয়র পাকিস্টানগী আইসাম উল হক কুরেসি অমসুং নেদরলেন্দসকী জিন জুলিয়ে রোজর্সপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## রুশিয়া ৱার্ল্ড কপকীদমক হেরি কেননা ইংলেন্দগী কেপ্টেন ওইখ্রে



*লন্দন, মে ২২ঃ*

ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব টোটেনহাম হোটস্পরগী ষ্ট্রাইকর হেরি কেননা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদবা ইংলেন্দ ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা ইংলেন্দগী মরুওইবা শান্নরোই হেরি কেননা ইন্টরনেসনেল মেটচ ২৩ শান্নখিবদা পাঞ্জল ১২ চনবা ঙমখি।

হেরি কেননা রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা অসিনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা ৱার্ল্ড কপ ওইরি।

ৱাই রুনি পোথাখ্রবা মতুং লৈবাক অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই অনী জো হার্ট অমসুং গেরি কাহিল স্কৱাদ অসিদগী লৌথোকখ্রবা মতুং ইংলেন্দগী ফুটবোল এসোসিয়েসননা হেরি কেনবু অরোইবা মীৎকুপ্তা টিম অসিগী কেপ্টেন ওইহনখিবনি।